# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২২-০৬-২০২৪, থাংজা)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দেবীনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক ইরাং অসি কুপ্পা খন্না নৈনদুনা লোইশিন্নবা হোৎনবা তঙাই ফদে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনাচুরাচান্দপুর জিলাদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বঙ্গলাদেশকী প্রধান মন্ত্রি সৈখ হাসিনগা ন্যু দিল্লিগা উন্নগনি।

--**ট্যুন**--

**সি.এম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি -- হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক অসি মতম কুইরক্লবা য়ামা অরুবা লায়না অমগুম্বনি। মরম অদুনা ৱাথোক অসি হাথু হাথুনা হেক্তমক লোইশিনবা ওইথোক্লোই । লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক খরা হেন্না কুপ্পা খন্না নৈনদুনা লোইশিন্নবা হোৎনবা তঙাই ফদে। ৱাফম অসি ঙরাং ইম্ফালদা পাঙথোকপা মালেমগী যোগগি নুমিৎ থৌরমদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়- মনিপুরগী ৱাথোক অসি কাংলুপ অনিগী মরক্তা চুমগী খৎনবা ওইনা লৌরব্রা হায়না খল্লম্বা অদু কেন্দ্র সরকারনা মায়েক শেংনা খঙলি হায়বসি য়ুনাইতেদ নেসন্সগী মীফমদা ভারত্কী মীহুৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম - ৱাথোক অসি মীরৈবাক্তগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং অমদি দ্রগকা মরী লৈনৈ হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না মায়েক শেংনা ফোংদোক্লে।

জিরিবামগী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- জিলা অদুদা লৈরিবা মীয়াম শান্তি ওইনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা পাম্লি। অদুবু অতোপ্পা মফমশিংদগী চংশিল্লকপা অরানবা তৌবা মীওইশিংনা কীহন খঙহন্দুনা মফম অদুগী শান্তি থুগাইনবা হোৎনবনি। হন্দক্কী ইরাং অদুদা য়ুম মৈ চাকখ্রবশিংগীদমক নৌনা য়ুম শান্নবা সরকারনা থবক লৌখৎলে। মফম অদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা ফীভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনরি।

**ওপরেসন(এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা থীবা হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন থবকশিংগী লেপ্তুনা পায়খৎলি। পুলিসকী পাউনা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী এস লোনফাই অমদি লাংচিংমানবিদা থীবা হুম্বগী থবক চগ্খবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা -মেগজিনগা লোয়নবা নাইন এম.এমগী করবাইন্দ মেছিন গন অমা, ত্বেলফ বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মোতার অনি অমদি কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৭ য়াওরি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে থার্টি সভেন অমদি নেসনেল হায়ৱে-টু সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি পুন্না ৩৩৩ ইম্ফাল চংলকখ্রে। গাড়িশিং অসি অশোই অঙাম থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী অহেনবা কনভোইশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি হায়রি।

**এসোসিয়েসন(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে-টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী পারিংগী সেনাপতি জিলাগী তুমুয়োন খুলেন মপাদা শক খঙদবশিংনা ত্রক অমা মৈ থারম্বগী থৌদোক অদু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়- নেসনেল হায়ৱে নম্বর-টুদা চৎলিবা গাড়িশিংদা অয়েৎ অপন অমদি কান্নদবদা অৱাবা পীবগী থবক কনাগুম্বা অমত্তনা চথুবিগনু হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থমখিবা ৱাফমগী ৱাংমদা কম্মীতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতি কোতুনা থবক কয়া চথুরি। হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা এসোসিয়েসন অসিনা নাকল অমত্তগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতে । গাড়িশিং মৈ থাবগী থৌদোক অসিনা এসোসিয়েসননা থমখিবা ৱাফমবু শিংনবনি হায়না লৌই। মসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্তা অচৌবা মীপায়বা পোকহল্লি। মরম অদুনা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু আপিল তৌরি।

**এম.য়ু(এল)ঃ** মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকবগুম ঙরাং মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী দিপার্টমেন্ত ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিকা শিন্দুনা ৱার্ল্ড ম্যুজিক দে থৌরমগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা সেমিনর অমা পাঙথোকখ্রে। য়ুনিভাসিয়েল পিছ এন্দ হারমোনি থ্রু ম্যুজিক এন্দ দান্স হায়বা থীমদা দিপার্টমেন্ত অসিগী লেকচর হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কুল ওফ

হ্যুমেননিতিসকী দিন প্রোফেসর এস. ইমোবনা হায়- ঐখোয়গী মীওইবা অসি পোকপদগী শীবা ফাওবদা ঈশৈগা লোয়নদুনা চৎলি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ফুরুপ খুদিংমকা মাগী মাগী করিগুম্বা থবক থৌরম অমা পাঙথোকপদা অয়াম্বনা ঈশৈ অসি য়াওনৈ। মহাকা হায়- য়ুনিভার্সিতি অসিগী মখাদা দিপার্টমেন্ত অসিনা চহি কয়াদগী জগোই অমদি ঈশৈগী তোঙানা তোঙানবা সবজেক্টশিং হাংদোক্তুনা তাকপী তম্বীদুনা লাক্লি । ঙসি মালেম পুম্বদা পাঙথোকবগুম্ দিপার্টমেন্ত অসিনা ৱার্ল্ড ম্যুজিক দেগী থৌরম পাঙথোকপা অসি অফবা খোংথাংনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দান্দ এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্তকী হেদকী থৌ পুরিবা ডা:এন থোইবনা হায়- ম্যুজিক অমদি ঈশৈ মখল মথেল য়াম্মী। মমাংঙৈদা লৈরম্বা ওজা গুরুশিংনা থম্বীরম্বা জগোই ঈশৈশিং অসি হৌজিক অমদি তুংগী মীরোলনা নীংথিনা ঙাক্তুনা থমহৌবগী তঙাই ফদবা লৈরি।

**বুলেট (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বগী থৌবাল হাওখা হৈবি মখোং মপাদা ঙরাং বুলেট তোংদুনা লাকপা মীওই অমনা সাইকল থৌদুনা লাকপা অহল অমা থোম্বদগী অহল অদু লৈখিদ্রে। থৌবাল পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-বুলেট থৌদুনা লাকখিবা মীওই অদুনা শোক্লে। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ মখায় রোম তারকপা অদুৱাইদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা অহল অদু থৌবাল হাওখা মমাং লৈকায়দগীনি। মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা খুদক্তা পুখৎতুনা লায়কৎন্ননবা হোৎনখি। অদুবু মহাক দোক্তরশিংনা ব্রোট দেদনি হায়না খঙহল্লকখি। অদুগা বুলেট থৌরকখিবা মীওই অদুনা চীংমৈরোংমদগী অসাম রাইফলসতা থবক তৌবা মীওইনি। মহাকসু শোকপদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ফার্ষ্ট এদ পিরবা মতুং ইম্ফালগী জেনিমসতা রিফর তৌখ্রে ।থোদোক অসিগা মরী লৈননা থৌবাল পুলিসনা কেস অমসু লৌখৎখ্রে ।

**ব্লদ(এল)ঃ** জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা মেঘা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙ্গরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি থৌবাল ব্রাঞ্চ অমসুং কাউন্সিল ফোর এদভান্সমেন্ট ওফ রুরেল দিভলপমেন্তগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি । মদুদা মীওই ৬২ না ঈ-দান তৌখি।

**স্পোর্টস(এল)ঃ** শীংজমৈ ওইনাম থীংঙেলদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল অন্দর ফিবতিন বোইজ সোকর টুরনামেন্তকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা উরিপোক এফ.সি অমসুং শীংজমৈ চীংঙামখা হায়স্কুল পঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা অতিংঙা এফ.সি-থোংজ্না এফ.সি.বি থোংজ্বু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখি।

**কাং(এল)** ঃ অহানবা ককচিংতবম কুঞ্জবিহাররি শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুরনামেন্তকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা ৱাঙ্গোই কাংখুৎনা পুথিবা কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬-৭ তা থোইখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**পি.এম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বঙ্গলাদেশকী প্রধান মন্ত্রি সৈখ হাসিনগা ন্যু দিল্লিগা উন্নগনি। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী হান্না লৈরম্লিবা মরী অসিদা হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা য়ানা চেরোলশিং সহি তৌনগনি। বঙ্গলাদেশকী প্রধান সৈখ হাসিনা নুমিৎ নিনিগী খোংচৎতা ঙরাং ভারত্তা থুংখিবনি। মহাক্কী খোংচৎ অসিদা ভারতকী রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমদি উপ রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনকরগসু উন্নগনি।

ঙরাং লুচিংবা অসিনা ভারতী মপান থৌরম মন্ত্রি ডা: এস.জয়শঙ্করগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরীশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

সোসিয়েল মেদিয়াদ থাগৎপা পোস্ত অমদা ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়- বঙ্গলাদেশকী প্রধান মন্ত্রিগী ইন্দিয়া খোংচৎ অসি মরু ওহ্না ভারত বঙ্গলাদেশকী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী খোংথাং অমনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক মঙশাতাবম প্রেমানন্দ লৈরে--**

**---প্রেমানন্দা---**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক ইরাং অসি কুপা খন্না নৈনদুনা লোইশিন্নবা হোৎনবা তঙাই ফদে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনাচুরাচান্দপুর জিলাদা থীবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বঙ্গলাদেশকী প্রধান মন্ত্রি সৈখ হাসিনগা ন্যু দিল্লিগা উন্নগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-নোলিনি**

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মালেমগী যোগগি নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অমদি রোংমৈ নাগাগী সি.এস.ওশিংনা জিরিবামদা পন্দুনা লৈরকখিবা গাড়িশিং লাকহনখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা - মীয়াম লৈঙাক য়াওদনা ৱারোইশিন পুরকলোই হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। থাও ,গ্যাস পুবা ত্রকশিং চংলক্লনি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা -ষ্টেট অসিদসু মালেমগী যোগা নুমিৎ পাঙথোকখ্রে, গভর্নরনা মীপুম খুদিং যোগা শান্ননবা আপিল তৌরিবা হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ফত্তবা হেক তৌরিমখৈদি সেক্যুরিতি লাক্কনি, শেল খায়বা মী ফাবা লেপ্পীয়ু হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফমনা অশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা -কুকি নুপীশিংনা ত্রকশিং থৎপদা লৈঙাকা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রবসু রোংমৈ নাগাগী সি.এস.ওশিং থোমজিন্দুনা জিরিবামদা পন্দুনা লৈরকখিবা গাড়িশিং লাকহনবা হৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর নিউজ, নহারোলগী থৌদাং, ইচেল এক্সপ্রেস,ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক,সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকেলদা - মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মনিপুরগী ইরাং অসিগী ৱারোইশিন অথুবদা পুরক্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রে। ক্রিমিনেলগী থৌওংশিং য়ানিংদবা ফোংদোকখি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর নিউজতা - মনিপুরগী ইসু পি.এমগী হন্দ্রেদ দেসকী প্রাইওরিতি লিস্তা য়াওরে, অথুবদা ৱারোইশিন লাক্লগনি , লুরবা মতম অসিদা য়েলহৌমী কনবা মনিপুর কনবগী ইসু নত্তবা অতৈদি লেপ্পীয়ু হায়বা চিফ মনিস্তরগী ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা - ইন্তরনেসনেল দে ওফ যোগাগী থৌরম মনিপুরদা পাকশন্না পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা থা অনি অহুমগী মনুংদা মনিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লকনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস,মনিপুর মেল, মোর্নিংবেল অমদি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা - নিট একজামগী ক্কেসেন লিগ ওইখিবগী মায়োক্তা কংগ্রেসনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।য়

সনা লৈবাক্তা - লৈবাক কনগনি থোরকপশিংনা ক্রাইম চথরকপদগী সেক্যুরিতিগী এক্সন হেল্লকপনি। লৈবাক্কী লুরবা তানফমসিদা শেল খায়বা, মীফাবা তোকখিসি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। এন.ঐচ ৩৭ তগী ব্লোকেদ হন্দোকপা কুকিশিংনা য়াখ্রে, হায়ৱে অসিদা বন্দ ব্লোকেদ তৌবা শুকয়া য়ারোই হায়বা রোংমৈ নাগা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- ষ্টেট কেবিনেটনা এ.দি.সি পঞ্চায়ট অমদি ম্যুনিসিপাল্লীতিসকী মীখল সেপ্তেম্বরদা পাঙথোকপদা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন ওইরি।

রোংমৈ নাগা সি.এস.ওগী লুচিংবশিংনা মীতৈ অমদি কুকিগী লুচিংবশিংগা জিরিবামদা উন্নখ্রে, ব্লোকেদ হন্দোকবা আপিল তৌখ্রে , পন্দুনা লৈরম্বা গাড়িশিং থাদোরকখ্রে হায়
বা পাউ অসিনা তমোংলোং টাইমসতা অহানবা দেহলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা -১০ শুবা মালেমগী যোগা নুমিৎ থৌরম সেনাপতিদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--নোলিনি--**